**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 28-05-2024)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ২৮-০৫-২০২৪, লৈবাকপোকপা)**

**--সিগনেচর ট্যুন--**

**---অকাশবানি ইম্ফাল ৱাহেংবম ৱাশিংটননা পাউ পাজরি---**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) আই.এম.দিনা হায়রি- লৈবাক শিনবা থুংবদা চহি অসিগী নোংজ্ থা জ্নদগী সেপ্তেম্বর ফাওবদা মহৌশা চুবা নোংগী চাংদগী হেননা চুরাবা য়াই ।মনিপুরদা লাক্লিবা নুমিৎ নিনি অসিদা অকনবা নোং চুরাবা য়াই।

২) সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং কাংপোকপী জিলাগী খারম ৱাইফৈদগী নোংমৈ য়াওনা খুৎশু খুৎলায় কয়া মরুম ফাগৎলে।

**অমসুং**

৩) **লোক সভা মীখলগী** ৭ শুবা অমসুং অরোইবা তাঙ্কক্কী মীখলগী ভোট খোম্বগী মতম নুমিৎ ৩ খক্তা ঙাইশিল্লকপগা লোয়ননা রাজনিতি দলশিংগী লুচিংবশিংনা ভোটরশিংগী পুকিং চীংশিংন্নবা হোৎনরি।

**--ট্যুন--**

**নোং (এল)ঃ** আই.এম.দিনা হায়রি- লৈবাক শিনবা থুংবদা চহি অসিগী নোংজ্ থা জ্নদগী সেপ্তেম্বর ফাওবদা মহৌশা চুবা নোংগী চাংদগী হেননা চুরাবা য়াই । আই.এম.দিগী দাইরেক্তর জেনরেল ডা: এম . মোহাপত্রনা হায়- খা নোংচুপকী কুমগী নোং লৈবাক অসিদা পুন্না য়েংবদা চাদা ১০৬ ওইরবা য়াই । খা নোংচুপকী কুমগী নোং অসি ময়াই থংবা ভারত অমসুং খা থংবা পেনিনসুলাদা মহৌশা চুবা চাংদগী হেনগনি। অৱাং নোংচুপ থংবা ভারত্তনা মহৌশা চুবা চাং অদুদা লৈগনি অদুগা অৱাং নোংপোক ভারত্তনা মহৌশা চুবা চাংদগী হন্থগনি।

অমরোমদা, মেট দিপার্টমেন্তনা হায়রি - মনিপুরদা লাক্লিবা নুমিৎ নিনি অসিদা অকনবা নোং চুরাবা য়াই। দিপার্টমেন্ত অসিগী মেট সেন্তর ইম্ফালনা থোকখিবা চেরোল অমনা হায়- নোংলৈ নুংশিৎ রেমলনা মরম ওইদুনা মনিপুরগী মফম খরদা পুংদা কিলোমিতর ৪০ দগী ৬০ ফাওবগী চাংদা য়াংনা নুংশিৎ শিৎপগা লোয়নননা অকনবা নোং চুরাবা য়াই ।

নোংলৈ নুংশিৎ অসিগী য়েংলগা ইম্ফালদা পাইরক্কদবা অমদি ইম্ফালদগী পাইগদবা ফ্লাইটশিং ঙরাং কেন্সেল তৌখি।

**পুলিস(এল)ঃ** রাজ্য অসিদা শান্তি অমদি তংদু লৈতাবা ফীভম পুরকবগী লৌখৎপা খোংথাং অমা ওইনা সেক্যুরিতি ফোর্সনা থী হুম্বগী থবক অমদি এরিয়া দোমিনেসন লেপ্তুনা চত্থরি। রাজ্য পুলিস কন্ত্রোল রুমগী ঙরাংগী থোকখিবা চেরোল অমদা হায়- ঙরাং কাংপোকপী জিলাগী খারম ৱাইফৈদগী নোংমৈ য়াওনা খুৎশু খুৎলায় কয়া মরুম ফাগৎখি। থা অসিগী ২৫ দা হম্ফাল ইষ্ট জিলাগী মোংলমদগীসু আই.ই.দি অমদি নোংমৈ মরুনচিংবা পোৎলম কয়া ফাগৎখি।

অসাম রাইফলসনসু বিষ্ণুপুর জিলাগী ৱারোইচীং লৈমারাম অমসুং ইরেংবমদা থা অসিগী ২৫ দা বঙ্কর অহুম থুগাইখ্রে হায়রি।

**মেত্রিক (এল)ঃ** বোর্দ ওফ সেকেন্দরি স্কুল মনিপুর(বোসেম)না লৌবা মেত্রিক পারিক্ষা ২০২৪ গী ফল ঙরাং লাউথোকখ্রে। পাস তৌবগী চাং চাদা ৯৩.০৩ ওইখি।

পারিক্ষা অসিদা সরকারগী স্কুলশিংগী ওইনা মহৈরোই লিশিং ৯,০৩৭ পারিক্ষা থাবদা লিশিং ৭,৬২২ পাস তৌদুনা , পাস তৌবগী চাং চাদা ৮৪.৩৪ ওইখি। মসি হৌখিবা চহি ১০ রোম অসিদা সরকারগী স্কুলশিংনা খ্বাইদগী চাং ৱাংনা পাস তৌবা ওইরি।

পারিক্ষা ফল লাউথোকপগী থৌরমদা শরুক য়াখিবা ইদুকেসন বিভাগকী কম্মীস্নর ঐচ.গ্যানপ্রকাসনা হায়- গ্রেদিং সিস্তেম অসিনা মহৈরোইশিংগী পুকিং ৱাখল লৈতাদবগী চাং হন্থহনবা ঙমগনি। মরক অসিদা, চৎলিবা একাদমিক সেসন ২০২৪-২৫ গী ক্লাস ইলাভেন্দা মীং চন্নবগীদমক তোঙান তোঙানবা সরকারগী স্কুলশিং ঙসিদগী ফোর্ম থাবা হৌরগনি হায়রি।

**প্রোগ্রাম(এল)ঃ** ইন্তিগ্রেতেদ ফর্মীং সিস্তেম তেকোলোজিগী মতাংদা দিস্ত্রিবিউসন কম কেপাসিতি বিল্ডিং প্রোগ্রাম অমা ঙরাং কে.বি.কে চান্দেলদা পাঙথোকখ্রে। এন.আই.সি.আর.এ প্রোজেক্টকী মখাদা পায়খৎপা থৌরম অদুদা লৌমীশিংদা মরু মরাং কয়ামরুম য়েন্থোকখি। লৌমী ৪০ রোমনা শরুক য়াখিবা থৌরমদুদা অখঙ অহৈ কয়ানা ৱা ঙাংখি।

**---তাবীরিবা পাউ অসি অকাশবানি ইম্ফালদগানি---**

**লোক সভা ঃ  লোক সভা মীখলগী** ৭ শুবা অমসুং অরোইবা তাঙ্কক্কী মীখলগী ভোট খোম্নবগী মতম নুমিৎ ৩ খক্তা ঙাইশিল্লকপগা লোয়ননা রাজনিতি দলশিংগী লুচিংবশিংনা ভোটরশিংগী পুকিং চীংশিংন্নবা হোৎনরি।

বি.জে.পিগী মকোক থোংবা লুচিংবা অমিত সাহনা ঙরাং উত্তর প্রদেশকী কুশিনাগর সালেম্পুর অমসুং চান্দৌলিদা ভোট খোমখি। শ্রী সাহনা হায়- হন্দক্কী মীখল অসি লৈবাক অসিবু চাউখৎহন্নবা অমদি মীয়ামদা অশোই অঙাম থোকহন্দনবা পাঙথোকপা মীখল অমনি । মসি লাইরবা মীয়ামগী য়াইফনবগী থৌরাং অমসুনি।য়

বি.জে.পিগা নেসনেল প্রসিদেন্ত জে.পি নদ্দাসু ঙরাং বারানাসিদা পাঙথোকখিবা মীতিন কয়াদা ৱা ঙাংখি। মুখ্য মন্ত্রি অমসুং বি.জে.পিগী মকোক থোংবা লুচিংবা যোগি অদিত্যা নাথনা বালিয়া, রোবর্টস গঞ্চ, ঘোসি অমসুং বারানাসিদা পাঙথোকপা মীয়ামগী মীতিনদা ৱা ঙাংখি। মহাকা হায়- প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী লমজিং মখাদা ভারত্তা চাউনা অওনবা উবা ফংলে। মহাকা হায়- ২০১৪ অমসুং ২০২৪ গী ভারতকী ফীভমদা চাউনা খেৎনবা লৈরে।

অমরোমদা, সমাজৱাদি পার্টিগী মকোক অখিলেস যাদবসু ঙরাং রাজিপুর অমসুং চান্দৌলিদা ভোট খোমখি। মথং থাগী ১ দা লোক সভা কেন্দ্র ৮ দা ভোট থাদনগদৌরিবা বিহারদসু এন.দি.এগী লুচিংবশিং অমসুং ষ্টার কেম্পেইন্নর কয়ানা ভোট খোমখি। গ্রান্ত এলাএন্সকী কাংবুনসু রাজ্য অদুদা ভোট খোমবগী থবক কন্না চত্থরি। হান্নগী কংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধিনা ঙরাং পাথনা সাহিব ,পাতলিপুত্রা অমসুং অরালোক সভা কেন্দ্রশিংদা পাঙথোকপা মীখলগী মীতিনশিংদা ৱা ঙাংখি।

**এন.দি.আর.এফঃ** নেসনেল দিজাস্তর রেস্পোন্স ফোর্সকী দাইরেক্তর জেনরেল পীয়ুস অনন্দনা হায়রি - এন.দি.আর.এফ অসি মথৌ তৌনবগীদমক ২৪ বাই ৭ শেম শাদুনা লৈরবা ফোর্স অমনি অমসুং ইম্মরজেন্সি কোল ফংবগা মিনিত ৩০ গী মনুংদা রেলিফ টিমশিং মফমদুদা চংশিল্লি।

অকাশবানি নিউজগা অখন্ননা ৱারি শান্নবদা শ্রী অনন্দনা হায়- দিজাস্তর মেনেজমেন্ত হায়বসি মী মশিং য়ামা চংবা থবক অমনি। অসিগুম্বা শেবাগী মশক ওইরবা থবক অসিদা য়াওশিন্নবা মীয়ামা থোরকবসু মহাকা আপিল তৌরি।

**অয়ুসঃ** অয়ুস মন্ত্রালয়না ওল ইন্দিয়া ইন্সটিট্যুট ওফ অয়ুরবেদা (এ.আই.আই.এ)গা খুৎশমদুনা ন্যু দিল্লিদা সেন্সিতাইজেসন প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে। ইন্সুরেন্স সেক্তর অমসুং অয়ুসকী হকশেলগী লমদা থবক তৌরিবশিংগী মরক্তা ঈ-পাউ ফাওদোকবা হেনগৎহন্নবা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা অয়ুস হোস্পিতালগী মপুশিং অমদি জেনরেল ইন্সুরেন্স কম্পানিশিংগী সি.ই.ওশিং অমসুং সি.এম.দিশিং শরুক য়াখি।

বোক্সিং ঃ বেঙ্কোক্তা ঙরাং অনিশুবা বোক্সিং ৱার্ল্ড ক্বালিফাইয়রসতা ভারতকী হান্নগী ৱার্ল্ড য়ুথ চেম্পীয়ন অনকুসিতা বোরোনা কিলোগ্রাম ৬০ গী কাংলুপ্তা মঙ্গোলিয়াগী নামুন মোনখোরবু মায়থিবা পীখ্রে। অদুবু অভিমৈনু লোরাদি আইয়রলেন্দগী এলিন কেসিদিগী খুৎতা মায়থিহৌরে।

পেরিজ ওলেম্পীক্তা মফম অমা ফংনবা অনকুসিতানা হৈশিংনা হোৎনখি অমসুং মঙ্গোলিয়াগী মহাক্কী লম্বাবু ৪-১ দা মায়থিবা পীখি।

**--ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিংগীদমক--**

**হৌজিক মঙশাতাবম প্রেমানন্দা লৈরে--**

**-প্রেমানন্দা-**

**----অরোইবদা মরুওইবা পাউ অমুক--**

১) আই.এম.দিনা হায়রি- লৈবাক শিনবা থুংবদা চহি অসিগী নোংজ্ থা জ্নদগী সেপ্তেম্বর ফাওবদা মহৌশা চুবা নোংগী চাংদগী হেননা চুরাবা য়াই ।মনিপুরদা লাক্লিবা নুমিৎ নিনি অসিদা অকনবা নোং চুরাবা য়াই।

২) সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং কাংপোকপী জিলাগী খারম ৱাইফৈদগী নোংমৈ য়াওনা খুৎশু খুৎলায় কয়া মরুম ফাগৎলে।

**অমসুং**

৩) **লোক সভা মীখলগী** ৭ শুবা অমসুং অরোইবা তাঙ্কক্কী মীখলগী ভোট খোম্বগী মতম নুমিৎ ৩ খক্তা ঙাইশিল্লকপগা লোয়ননা রাজনিতি দলশিংগী লুচিংবশিংনা ভোটরশিংগী পুকিং চীংশিংন্নবা হোৎনরি।

**--পাউ লোইজরে--**

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

### থাগৎচরি-ৱাশিংটন

**ঙসি ফোংবা পাউচেশিংদা** অহানবা গ্রেদিং সিস্তেমদা ঐচ.এস.এল.সি পারিক্ষা হায়দোকখিবগী পাউ অমসুং অহানবা ওইনা খোংশাং রেলৱে ষ্টেসন ফাওবা ত্রেনদা সিমেন্ত পুশিল্লকখিবগী পাউনা মরুওইবা পাউশিং ওইনা হেদলাইন তৌনরি।

পোকফমদা- ঐচ.এস.এল.সিগী একজাম হায়দোকখ্রে, তম্পাক্তনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট , চীংদনা তেংনৌপলনা খ্বাইদগী ৱাংনা পাস তৌখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি । পাউ অসি সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি অমসুং ইংলিস ইদিসন,হুইয়েন লানপাউ, নহারোগী থৌদাং, ঈচেল এক্সপ্রেস , সনা লৈবা, মনিপুর নিউজ, পিপলস ক্রোনিকেল , মনিপুর মেল, মোর্নিংবেল ,হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেস, গানফিউ মেল অমদি অমেংলোং টাইমসতসু মরুওইবা হেদলাইন ওইরি।

অহানবা ওইনা খোংশাং রেলৱে ষ্টেসন ফাওবা ত্রেনদা সিমেন্ত পুশিল্লকখ্রে হায়বা পাউগা লোয়ননা কন্সত্রক্সন মেতিরিয়েলশিংগী মমল হন্থাহনবা ঙল্লগনি হায়বা চিফ মিনিস্তরগী ৱাফম পোকফমদা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরিদা -মেত্রিক পারিক্ষা ফল লাউথোকখিবগী পাউগা লোয়ননা চাদা ৯৩.০৩ পাস তৌদুনা রেকোর্দ শেমখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি। নেহরুনা পামজরম্বশিং থবক ওইনা পাঙথোকসি হায়বা হান্নগী চিফ মিনিস্তর ওক্রম ইবোবিগী ৱাফম অনিশুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংনরি।

হুইয়েন লানপাউদা- ক্লাস তেন একজাম রিজল্ট লাউথোকখিবগী পাউগা লোয়ননা লৈঙাক্কী স্কুলশিংদগী এদেদ অমদি প্রাইভেট স্কুলশিংনা হেন্না পাস তৌরে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি। লেননা ফুদৎখ্রবা য়ুমশিংনা লৈঙাকা পীবা জিঙ্খ্র লোক্তাক্তা থুম থাদবগা চপ মান্নরে, জিঙ্খ্র বন্দল ১০ চংগদবা য়ুমদা শুপতগী ২ দগী হেন্না পিদ্রে হায়বা পাউ অনিশুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

ঈশাগী য়ুমদা লৈজরম্লবদি এজাম পাস তৌবগী হেন্না হরাওরমগনি হায়বা পাউ অমসু অহানবা লমায়দা হেদলাইন তৌদুনা ফোংবা থেংনরি।

নহারোলগী থৌদাংদা - চুরাচান্দপুর অমসুং চান্দেল রোমদগী কুকি খুৎলায় পায়বশিংনা মোরেদা থোমজিল্লকখে। ম্যান্মারগা তাইনবা টি.মীনৌ অমদি লাইজাংদা কেম্প শাদুনা লৈরে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি । গ্রেদিং সিস্তেমদা অহানবা ওইনা মেত্রিক পারিক্ষাগী ফল লাউথোকখ্রে , পাস তৌবগী চাং চাদা ৯৩.০৩ , গভর্নমেন্ত স্কুল পাস তৌবগী চাং চাদা ৮৪.৩৪ য়ৌখি হায়বা পাউনা অনিশুবা হেলদাইন তৌরি। সাইক্লোন রিমলনা ৱেস্ত বেঙ্গলদা মীওই ৬ অমসুং বঙ্গলাদেশতা মীওই ১০ পুন্না ১৬ শীহনখ্রে হায়বা পাউ অমসু অহানবা লমায়দা হেদলাইন তৌরি।

ঈচেল এক্সপ্রেসতা - মেত্রিক পারিক্ষাগী ফল লাউথোকখিবগী পাউগা লোয়ননা অঙাংশিংগী পুকিং ৱাখলদা চরাংনবা লৈতনবগীদমক গ্রেদিং সিস্তেম হৌদোকপনি হায়বা ইদুকেসন দিপার্টমেন্তকী কম্মীস্নর গ্যান প্রকাসকী ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি। অহানবা লইনা সিমেন্ত পুবা ত্রেন খোংশাং রেলৱে ষ্টেসনদা থুংলখ্রে হায়বা পাউনা অনিশুবা হেদলাইন ওইরি। পাউ অসি মনিপুর নিউজ, সনা লৈবাক,সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ,সনা লৈবাক, পিপলস ক্রোনিকেল ,মোর্নিংবেল অমদি ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতসু অহানবা লমায়দা হেদলাইন তৌরি ।

সনা লৈবাক্তা - ইন্দিয়ন ইন্তলিজেন্সনা সোসিয়েল মেদিয়া শিজিন্নদুনা ইরাং চাউথোকহল্লে হায়বা এন.এস.সি.এন.আই.এমগী ৱাফম অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস, ইম্ফাল ফ্রি প্রেস , হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতসু অহানবা লমায়দা ফোংলি।

পিপলস ক্রোনিকেলদা - ঐচ.এস.এল.সি পারিক্ষাদা নুপামচা মহৈরোইশিং পাস তৌবগী চাং ৱাংলি হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মোর্নিং বেলদা - সাইক্লোন রিমলনা বেঙ্গলদা মীওই ৬ শীহনখ্রে হায়বা পাউ অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

ইম্ফাল ফ্রি পেসতা - ঐচ.এস.এল.সি পারিক্ষাদা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টনা পাস তৌবগী চাং খ্বাইদগী ৱাংবা দিষ্ট্রিক্ট ওইরে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি। লাক্লিবা জন্ ২ দগী মপানদগী য়েন পুশিল্লকপা থীংলগনি হায়বা ইকোনোমিক তাক্স ফোর্সকী ৱাফম অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস্তা - অকোয়বগী ফীভম শোকশিল্লকপনা সিরোই লিলি মপুং ফানা শাৎপা ঙমদ্রে হায়বা পাউ অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

**--ৱাশিংটন--**